**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-01-2025)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা হীরমদা নীংথিনা খঙহনবদা শুমাং লীলানা য়ামা মরুওইবা পান্বে অমা ওইরি।

ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকপা ২১ শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসি কমদৌনা হৌরকপনো হায়বদু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবদা শুমাং লীলাগী মতেং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-কোবিদ লায়চৎকী মতমদা মীয়ামা ভেক্সিন কাপ্পদা অকিবা পোকখিবদু শুমাং লীলানা মীয়ামবু নীংথিনা ৱাখল তাহন্দুনা ভেক্সিন কাপ্পগী অকিবা হন্থহনখি। মসিনা মরম ওইদুনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সি কয়া কনবা ঙমখি।

শ্রী বিরেননা হায়-শুমাং লীলা অসি ঐখোয়গী তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। তাংলবা আর্টফোম অসিবু ঐখোয় খুদিংমকা য়োকখৎপীগদবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক লৈরিবা শুমাং লীলা শঙলেন অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা লুপা কোতি অনি মখায় চংনা সরকারনা শেমগৎনবা হোৎনরি।

**ভিজিট (এল)ঃ** কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়ার্স, ফিসরিজ, এনিমেল হসবেন্দরি অমসুং দেরয়িংগী রাজ্য মন্ত্রি-জোর্জ কুরিয়ানননা ঙসি সেনাপতি জিলাদা চৎতুনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিং য়েংশিনখ্রে।

মহাকা তাফৌ নাগাদা লৈবা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল, এস্ত্রো তব গ্রাউন্দ, মল্টি পরপজ পার্কিং লোট, ভিলেজ চীফ

এসোসিয়েসনগী বিল্ডিং অমসুং রিখুমাই তাফৌগী মোদেল অঙ্গানৱাদি সেন্টরনচিংবদা চৎতুনা মফমশিং অদুগী ফিভম য়েংশিনখি। শ্রী কুরিয়াননা খুলগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

তুংদা, মহাকা সভাপতি ওইদুনা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা কেন্দ্রগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিং অমদি অতৈ থৌরাং কয়া চৎনহনবগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা শ্রী কুরিয়াননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংবু চাউখৎহন্নবা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়নসু ফোংদোকখি। মহাকা জিলা অদুদা পি.এম.জে.এ.ৱাই, পি.এম.এম.ভি.ৱাই, পি.এম.জনমন, বেতি  বচাউ-বেটি পরাও, পোসান অভিয়ান, এ.এ.ৱাই, পি.ঐচ.ঐচ, পি.এম. পোসান স্কিম, জে.জে.এম, পি.এম.এ.ৱাই-জি অমদি স্কিল দিবলপমেন্টনচিংবগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং চৎনহনবগী মতাংদসু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদগী অকুপ্পা ৱারোল তাখি।

মীফম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলি, এস.পি. অনুপম অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**রিয়ারসেল (এল)ঃ** কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী ফুলড্রেস রিয়ারসেল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অহুমলক ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন ওহখ্রবী মনিপুর পুলিসকী দিপার্টমেন্টকী স্পোর্টসকী এস.পি. লাইশ্রম সারিতানা রিয়ারসেল অদুগী পেরেড কম্মান্দর ওইখি। ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগী রিয়ারসেল অদুদা এক্স সার্ভিসমেন, অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ, সি.আর.পি.এফ., কম্বাইন্দ মনিপুর রাইফলস, আই.আর.বি, সিভিল পুলিস, এন.সি.সিনচিংবগী কন্টিজেন্টশিং শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা কলেজ অমদি স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং, সংস্কৃত্তিগী কাংবুশিংসু রিয়ারসেল পেরেড অদুদা য়াওখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু গনতন্ত্র দিবসকী ফুলড্রেস

রিয়ারসেলশিং ঙসি পাঙথোকখি।

**ডে (এল)ঃ** ঙসি অসি জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎনি। নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সার্ভির্সেস শেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট ওফিসারনা পুন্না শিনদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম অন্দ্রোগী কস্টুরভা গান্ধি বালিকা বিদ্যালয়দা পাঙথোকখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কুইজ অমদি অতৈ প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম মখান হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট-লোংমাই বজারদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জেন্দর দিসক্রিমিনেসন অমসুং পি.সি-পি.এন.দি.টি. এক্ট-১৯৯৪ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

উখ্রুল জিলাদসু দি.আর.দি.এগী হোলদা ঙসি জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎকী পালন থৌরম দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনদুনা পাঙথোকখি। পালন থৌরম অদুগী থিমদি-তুংগী নুংঙাইবা য়াইফবা পুন্সিগীদমক নুপীমচাশিংদা শক্তি পীবা হায়বসিনি।

**দিংগো (এল)ঃ** অহল ওইরবশিংবু নীংথিনা লুনা চান্না তৌবীনবগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবা দ্রামা অমা ঙসি সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা মীয়ামদা উৎনবা রিলিজ তৌখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ইমুং কয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক লান্থোক কয়ানা মরম ওইদুনা অহল ওইরবশিংবু তাথি-তওইনা তৌবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মহাকা হায়-ঙসি পুথোক্লিবা দ্রামা অসিনা মীয়ামবু অহল লম্মনশিং নুংশিনা লোয়নবগী অচৌবা পাউজেল অমা পীরগনি। দ্রামা অসি হামারে বজ্রুরগ, হামারা অভিমান অটল ভাইও অভ্যদায় য়োজনাগী মখাদা পুথোকপনি।

**ঙা (এল)ঃ** রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা আই.সি.এ.আর.-সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেস ৱাটর এক্বা কলচর, ভুবনেশ্বরগা খুৎশমদুনা ঙসি মনিপুরগী ঈচাওনা শোকহল্লবা লৌমী ২০০ রোমদা ঙা মচিঞ্জাক মেত্রিক টোন ২০ লোম য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ফিসরিজ দাইরেক্তোরেটকী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিসরিজ দাইরেক্তর-হৈস্নাম বালকৃষ্ণ সিংহনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী ঈচাওনা শোকহল্লবা লৌমী বিনিফিসরি অমমমদা ঙা মচিঞ্জাক কিলোগ্রাম ১০০-১০০ য়েন্থোকখি।

**সিপিআই(এল)ঃ** সি.পি.আইগী মীওই মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা মনিপুরগী ৱাথোক লোয়শিনবা য়ানবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ইম্ফালদা অথুবা মতমদা লাকহন্নবা তকশিনখ্রে।

সি.পি.আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিনা মনিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রেটি কায়হন্দনবা থমবা, ৱাথোক অসিগী রাজনিতিগী ওইবা ৱারোইশিন পুরকবা, রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম লাকহন্নবা, লাঞ্জেন্নরিবশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা লৈহন্নবা থবক পায়খৎনবা, হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স খুদক্তগী থমদুনা ফ্রি সার্ভিস তৌহনবা অমদি ৱাথোক অসিনা অৱাবা নংলবা মনিপুরগীদমক অখন্নবা ইকোনোমিক পেকেজ অমা খুদক্তা পীবা হায়বা দাবী তরুক য়াওবা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা পীশিনখি।

রাজ্যপালগী মায়কৈদগীসু পায়খৎপা য়াবা থবক খুদিংমক পায়খৎখনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। রাজ্যপালগা উন্নরুবা মীহুৎ কাংবু অদুদা দলগী সেন্ট্রেল কন্ট্রোল কম্মিসনগী মেম্বর-ডা: এম. নরা, দলগী ষ্টেট সেক্রেটরি-লৈশাংথেম থোইরেন, দলগী হান্নগী সেক্রেটরি-এল. সোতিনকুমারনচিংবা য়াওখি।

**কম্পিটিসন (এল)ঃ** ভারত সরকারগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং হমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী নাশা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা মহৈরোইশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী খুদক্তা লাই য়েকপা তান্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং শুমাক লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস ককচিংনা পুন্না শিনদুনা দ্রগতা লায়চুবগী মহয় হায়বা থিমদা কম্পিটিসন অদু তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি অনিদা পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অসিগী সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা লাক্লিবা গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎতা দি.এস.এ. গ্রাউন্দদ ককচিংদা য়েন্থোক্কনি।

**কম্পিটিসন (এল)ঃ** নেসনেল মেথমেটিক্স ডে-২০২৪ পালন থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্তেক) না শিনদুনা তোঙান তোঙানবা থাক্কী মহৈরোইশিংগী মেথমেটিক্স কম্পিটিসন অমদি কুইজগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোহশিংগী মেথমেটিক্স কম্পিটিসন তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা মথং থাগী ৯ অমসুং ১৬ তা পাঙথোক্কনি। অদুগা ক্লাস নাইন অমসুং টেন তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মেথমেটিক্স রির্টন কুইজনা মথং থাগী ১২ দা পাঙথোক্কনি।

য়াওনিংবা মহৈরোইশিংনা মাস্তেক্কী প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেটরগী ওফিস নৎত্রগা মসিগী ৱেব সাইটতগী এন্ট্রি ফোর্ম ফংগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী তরুকনি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** ক্রিসিল ফাউন্দেসন অমদি আই.য়ু.এ.সি. সেল সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজ-কোমলাথাবীনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগী থৌরম অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শেল থুমগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্টরেটিব সেসন অমসু পাঙথোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** বি.এস.এফকী ১০ শুবা বটালিয়ননা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী এম.দি. সাইচাং ভিলেজতা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমসুং লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস পালনদা য়াওগদবা এন.সি.সি. কেদেদশিং, এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ারশিং, য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম কেদেদশিং, টেব্লো আর্টিষ্টশিং অমদি ত্রাইবেল অতিথিশিংগা উন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী লৈফম সভেন লোক কল্যান মার্কতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা মীওহশিং অদুগা উন্নগনি।

কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকী পেরেডতা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সংস্কৃত্তি অমসুং লান্মীগী শক্তি উৎপগা লোয়ননা সংবিধান চৎনখিবা চহি ৭৫ শুরকপা অমসুং জন্ন ভাগীদারিদা অখন্নবা মীৎয়েং থন্বা থৌরমশিং উৎকনি। পেরেড অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমসুং কেন্দ্র সরকারগী মন্ত্রালয়শিং অমদি বিভাগশিংগী টেব্লো ৩১ শরুক য়াগনি। টেব্লোশিং অদু স্বারনিম ভারত-বিরাশদ ওর বিকাশ হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপনি। ভারত সংবিধাননা চহি ৭৫ শুরকপগা মরী লৈনবা টেব্লো অনিসু উৎকনি।

পেরেড অসিদা য়াওগদবশিংগী মনুংদা ভগবান বিরশা মুন্দা, সরদার বলভাই পতেলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈনবা অমসুং ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী টেব্লোশিংসু উৎকনি। পেরেড অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা

মফমদগী লাকপা কলচরেল আর্টিষ্ট ৩০০ গী সা-রে জহ্না সে আশা হায়বা ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্টসু য়াওগনি।

**সসপেন্দঃ** ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৪ গী সংসদকী জোইন্ট কমিতিগী মীফমদা চরাংনবা থোকহনবগীদমক বিরোধিগী এম.পি. ১০ সসপেন্দ তৌখ্রে।

পাউ খরনা হায়-সসপেন্দ তৌখিবা এম.পিশিং অদুগী মনুংদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী কল্যান বেনর্জি, দি.এম.কেগী কে. রাজা, কংগ্রেসকী নাশির হুসেন অমসুং ইমরান মশুদ অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী মোহিবুল্লা য়াওরি। তুংদা, বি.জে.পিগী এম.পি. অপ্রাজিতা সরাংগীনা মীফম অদুদা বিরোধি সদস্যশিংনা চরাংনবা থোকহনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। শ্রী বেনর্জিনা পেনেল অদুগী চেয়ারপার্সন জগদমবিকা পালগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নে হায়না মরাল শিখি।

অমরোমদা, শ্রী বেনর্জিনা হায়-মীফম অদুদা খন্নরিবা ৱাফম অদু অমরোমদা থৈদোকখি। দিল্লি মীখলগী য়েংদুনা থবক কয়া হাথু হাথুনা পায়খৎলি হায়নসু মহাকা মরাল শিখি। চেয়ারমেনগী থৌওং অদুবুসু মহাকা সমালোচানা তৌখি। জে.পি.সি. অদুদা লোক সভা সদস্য ২১ অমসুং রাজ্য সভা সদস্য তরা য়াওই।

**ধনকরঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-ভারত রতা মিংথোল পীখ্রবা করপুরি ঠাকুর অসি অশেংবা ষ্টেটসমেন অমা ওইরম্মী অমসুং মহাক অসি বিহারবু শেমগৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া হৌদোক্লম্বা মীৎয়েং শানবা রাজনিতিৱালা অমনি।

বিহারগী সমসতিপুরদা ঙসি পাঙথোকখিবা করপুরি ঠাকুরগী ১০১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-খুন্নাইদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা থবক পায়খৎলম্বা মমালোলদা মহৈ মশিং তম্বগী থৌওং হৌদোক্লম্বা অমসুং

কাংলুপ মশেল মরক্তা লৌন-লৈনবগী থৌওং হেনগৎহন্নবা হোৎনরম্বনচিংবা অসি মহাকা পায়খৎলম্বা থবকশিংগী মনুংদা পনবা য়াই।

শ্রী ধনকরনা হায়-করপুরি ঠাকুর অসি মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবনি অমসুং মসিমকা মহাকপু জন্ন নায়ক হায়না নীংশিংনরি। উপ রাস্ত্রপতিনা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলিসু কৎখি।

থৌরমদুদা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্স, বিহারগী রাজ্যপাল-আরিফ মহামদ খান, কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহান, গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দ রাই অমদি ভাগীরত চৌধুরি অমসুং রামনাথ ঠাকুরনচিংবা অতৈ মন্ত্রিশিংসু শরুক য়াখি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাদগী--**

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন-থৌবালনা শিনদুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সন্তোস এফ.এ. তেন্থানা সঙাইয়ুন্সফম এফ.সিবু পাঞ্জল অহুম অমদা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগকী অরোইবা মেটচতা ৱাঙ্গোই এফ.সিনা ৱাংজিং এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নগনি।

**ফুদসাল (এল)ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিন্দুনা কে.আই.ৱাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা করনেল ক্ষেত্রিময়ুম

অরুনকুমার মেমোরিএল মরিসুবা ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- পি.এস.য়ু অমসুং এ.বি.এ. পাঞ্জল ৬-৬ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.এস.ঐচনা এম.আই.য়ু. এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা, কে.আই.ৱাই.সিনা য়ু.ৱাই.পি.এবু পাঞ্জল ১১-৫ দা অদুগা এম.য়ু.এফ.এনা এন.এফ.এবু পাঞ্জল ১৩-৬ থোইখি।

**জ্দো (এল)ঃ** পুনেগী শ্রীশিব সটত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথখিবা সব জনিয়ার এন্দ কেদেদস নেসনেল জ্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ দা মনিপুরনা টিম রন্নরস অপ তারে।